কোভিদ-১৯গী...

*লামায় ১গী মখা...*ওইদবা থুনা খঙদোক্তুনা ডাক্তরগী পাউতাক মতুংইন্না হীদাক থুনা চাথোকহৌসি হায়খি। থৌরম অদুদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ইন চার্জসু ওইরিবা এগ্রিকলচর মিনিষ্টর ও লুখোই, চীফ মিনিষ্টরগী হেল্থ এদভাইজর ডা. সাপম রঞ্জন, এম এল এশিংদা হৈরোক্কী টি ঐচ রাধেশ্যাম, কক্চীংগী এম রামেশ্বর, হিয়াংলমগী ৱাই রাধেশ্যাম, ৱাংজিং তেন্থাগী পি ব্রোজেন, ৱাংখেমগী এম এল এ কে মেঘচন্দ্র, ৱাবগাইগী এম দি ফজুর রহিম, খাঙবোক্কী ও সুরজকুমার, লিলোংগী ৱাই অন্তাস অমদি থৌবাল অমসুং কক্চীংগী দি সীশিং, পুলিস অমদি মেদিকেল দিপার্টমেন্টকী মকোক থোংবা ওফিসলশিংসু শরুক য়াখি।

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	88.506617
US Dollar	72.547301
British Pound	102.872288
Australian Dollar	56.136826
Chinese Yuan Renminbi	11.388632
Japanese Yen	0.661665
Malaysian Ringgit	17.586089
Singapore Dollar	54.889795
South Korean Won	0.065449
Saudi Arabian Riyal	19.345947
Thai Baht	2.325701

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	–	Rs	47320.00
Mumbai	–	Rs	47165.00
Delhi	–	Rs	47165.00
Kolkata	–	Rs	47960.00

GAS NEWS

KHORIPHABA LPG SERVICE NAMBOL
Bk.upto 22-04-21
(sl.upto 40471)
For enquiry:9612337528, 9366471778, 9402828164
TANGLEI GAS OINAM
V/f- 29-04-21
B/upto - 04-05-21
Stock : 612
7am to 10am
PATSOI INDANE
BOOKING UPT0 01/03/2021
VALID FROM 31/01/2021
STOCK 306 DBTL ONLY
Pls DON'T, COME AT OFFICE
HOME DELIVERY Only
TDK GAS
BK. UPTO 31/03/21.
VF.27/03/21.
HOME DELIVERY
ONLY CONTACT NOS. 6909614353/873992324.
TIMING 9:00 AM TO 3:00 PM
MANIPUR GAS SERVICE
Booking upto : 16/04/2021
Valid from : 28/03/2021
Home Delivery Only....
Contact No: 8730954041, 8259969582
Office Timing: 8 am to 12.00noon
Note:- DELIVERY TIME WILL TAKE 4 DAYS
1. Poumai Colony, Ahallup, Heingang, Kairang, Khabam, Achanbigei, Mongjam - 9863385995
2. Mantripukhri, Luwangsangbam, Koirengei and Lamsang A/C etc. 8787857518
3. Lairikyengbam Leikai, Khurai, Pangei Road, Ukhrul Road, Kongpal, Top7424085506
4. Laipham Khunou, Sangakpham, Nagaram, Dewlahland, Khoyathong, Nagamapal and Uripok Road, Namdunlong - 8414886475
5. Hatta, Tellipati, New Checkon, Ragailong, Wangkhei, Soibam Leikai, Kshetrigao A/C Kongba etc. 7005282449
6. Thangmeiband, Lamphel, Langol, Tarung - 7005439154
7. Chingmeirong, Thangal & Paona Bazar, Sagolband, Keishampat, Khagempalli, Kwakeithel, Yaiskul, Moirangkhom and Singjamei A/C. etc. 8131832195
8. For, Complain and Enquiry Number - 8259969582
Time : 8.00 am. to 12.00 noon. 8730954041
HRANGCHAL GAS AGENCY
VALID FROM: 17/04/2021
BOOKING UPTO:19/04/2021
BOOKING ONLY: 03852444677
ENQUIRY ONLY:(KINDLY UPDATE LATEST MOBILE NO) 9436280866
TIMING: 8:00am to 12:00pm (HOME DELIVERY ONLY)
KHUMBONG INDANE
Booking upto 28-03-21
Valid from 26-03-21
Only home delivery within 3 days
Office no. 9774068549
Home delivery contact no. 7005013837
Whatsapp no. 8794973019
Time 7.30am to 11.am
M /S R & H INDANE GAS SERVICE IRILBUNG
Only Home Delivery
Booking Upto 06/03/2021
Valid from 03/03/21
Stock 306 nos.
Office contact numbers 8414824977, 8413936705, 8132036940
Call timing 8am to 12 noon
M/s K&K INDANE SERVICE,
home delivery only
Call Timing: 8 AM To 12 PM
*URIPOK,THANGMEIBAND, LANGOL-9362663937.
*SAGOLBAND TERA & SURROUNDING 9774213728, 9862791279, 9366727636, 9089519886.
TIDDIM LINE -9774213728*
TAKYEL AREA. 9089542175
LANGJING,PATSOI /8258856407
*KONTHOUJAM A/c 9863201839, LAMSHANG A/C - 9612493837. Enquiry no. 9856134465. Booking upto 05/05/2021 Valid from 15/04/2021.

মেঙ্গোর মঙাঙনা সেভা হী সঙ্ঘথনগা মরি লৈননা পোৎচৈ য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ৩১ (ঐচ এন এস) :

বি জে পিনা লুচিংবা এন দি এ লৈঙাক্কী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী মখাদা চহী ৭ মপুং ফানা মীয়ামগী সেভা হী সঙ্ঘথনগী অনীশুবা ফেজগী মনুং চন্না সোসল ৱার্কর অমসু ওইরিবা ষ্টেট এগজিক্যুটিভ মেম্বর বি জে পি মণিপুর প্রদেশ খুন্দ্রাকপম মেঙ্গোর মঙাঙ অমদি বি জে পি খাঙবোক মন্দলগা খুৎশম্নদুনা খাঙবোক কেন্দ্রগী মনুংচন্না লৈবা তোঙান-তোঙানবা খুঙ্গংশিংদা খাঙবোক, অথোকপম, উয়াল, ৱাংবল, সমরাম, সঙাইয়ুম্ফম, লমদিং অমদি নেপ্রা কম্পনিদা চান-থক্লবা পোৎলমশিং য়াওনা মাস্ক অমদি সেনিটাইজর য়েন্থোকখ্রে।

চান-থক্লবা পোৎলমশিং য়েন্থোকপগী থৌরম অদুদা বি জে পি ষ্টেট মোইরাংথেম প্রিয়োকুমার, বি জে পি খাঙবোক মন্দলগী ভাইস প্রসিদেন্ট ডা. খুন্দ্রাকপম রোমেনকুমার, জেনরেল সেক্রেটরি এন রমানন্দা অমদি বি জে পি খাঙবোক মন্দলগী ৱার্কর কয়ানা কোভিদ-১৯গী এস ও পি ঙাক্লা শরুক য়াখি। লোয়ননা নেসনল হায়ৱেদা মথৌ তৌরিবা সীক্যুরিটি পর্সনেলশিংদসু মখোয়না লৌরিবা থৌদাংশিংবু শকখঙবা ওইনা মাস্ক অমদি চান-থক্লবা অচাপোৎ য়াওনা ঈশিং য়েন্থোকখি। থৌরম অসিগা মরি লৈননা মেঙ্গোর মঙাঙনা হায়খিবদা চহী ৭ অসিদা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী লমজিং মখাদা লায়রবা প্রজাশিংগী য়াইফনবা থবক কয়া পায়খৎতুনা লাক্লি। লোয়ননা হৌজিক-হৌজিক কোভিদ-১৯ পেন্দেমিকনা মরম ওইদুনা ভারত পুম্বদা থোকহল্লিবা অৱাবা কয়া অসিবু থেংননবগীদমক সেন্ট্রেল অমদি ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা লৌরিবা থৌদাং কয়া অসিবু পুক্লিং থৌগৎচবা ওইনা প্রজাশিংদা মাস্ক, সেনিটাইজর অমদি চান-থক্লবা পোৎলমশিং খরা বি জে পি খাঙবোক মন্দলগী ৱার্করশিংগা খুৎশম্নদুনা য়েন্থোকচবনি হায়না ফোঙদোকখি।

এম্বুলেন্স ওইনা শীজিন্ননবা খূৎশিন্নখ্রে

ইম্ফাল, মে ৩১ (ঐচ এন এস):

নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা এন দি এ লৈঙাক্লা লায়নাসিদা পল্লকপা চহী ৭ মপুং ফারকপা পালন সেৱা হি সঙ্ঘথনগা মরী লৈননা কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্কী অনীশুবা শাফু লাকপদা লৈবাকসিগী মীয়াম্না পনখৈ য়ৌনা কিনরবা-ৱানরবা মতমসিদা ওইনাম এ সীগী মীয়াম্না অনা-অয়েক লৈরকপা, কোভিদ-১৯গী অনাবা লৈরকপদা টেষ্ট তৌবা, লায়েংনবা চৎপা, কোভিদ ক্যের সেন্টরশিংদা চৎনবা গাড়ীগী অৱাবা লৈরকপশিং মতেং পাংনবা পান্দমদা বি জে পি কিসান মোর্চাগী নেসনল জেনরেল সেক্রেটরি কেঐচ জিবোননা ওইনাম কেন্দ্র দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (ও কে দি ও)দা ঈ ঈ সী ও ভেন অনী এম্বুলেন্স ওইনা শীজিন্ননবা ঙসি খূৎশিন্নখ্রে।

থৌরমদুদা বি জে কিসান মোর্চাগী নেসনল জেনরেল সেক্রেটরি কেঐচ জিবোন, সোসল ৱর্কর টিঐচ সুজ ’বোরো, ও কে দি ওগী প্রসিদেন্ট টিঐচ ইনাও, ভাইস প্রসিদেন্ট ইরেংবম শ্যামোনা মরু ওইবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

টি ঐচ সুর্জবোরোনা ফোঙদোকখিবদা, মীয়ামগী অনা অয়েক য়াওরকপদা গাড়ী লৈতবগী অৱাবা মায়োক্লরিবা, চিরবা মতমসিদা, মীয়ামগী খল্লগা এ সী অসিগী মীয়াম্না এম্বুলেন্স ওইনা শীজিন্ননবা গাড়ী অনী পীবিবসি অসুক্কী মতিক মমল য়াম্মী হায়খি। কেঐচ জিবোননা ফোঙদোকখিবদা, কোভিদ-১৯না মালেম পূম্বদা কিবনা নিক্লরবা মতমসিদা মীয়ামগী সেবা তৌবনা ওর্গনাইজেসন তৌবনি, মীয়ামগী সেবা তৌরসি হায়বা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী ৱাখল অদুনা মাঙওইনরগা মীয়ামগী সেবা তৌবা ওইনা মীয়ামদা অঙন্বা তেংবাংবনি। এ সী অসিগী মীয়াম্না নারক-য়েক্লকপদা এম্বুলেন্স ৱায়বা ফংদবা অমদি শেল পীবা ঙমদবনা এম্বুলেন্স ৱাইবা ঙমদবা অদু খরদা ওইরবসু কোক্লবা এম্বুলেন্স গাড়ী অনী খূৎশিন্নবনি হায়খি। থৌরমদুদা, কেঐচ জিবোননা এম্বুলেন্স অনী অদু থৌনবা ড্রাইভর মরিদা পি পি ঈগী পোৎলমশিং খূৎশিন্নরবা মতুং এম্বুলেন্স অনীদু মীয়ামদা খূৎশিন্নরে লাউথোক্লুনা লমথাখি।

চেঙ অমসুং এঙ্গাং-নাপি পাক্তক্লনা য়েনবা হৌখ্রে

ইম্ফাল, মে ৩১ (ঐচএনএস):

পি এম জি কে ৱাইগী মখাদা য়েন্থোক্লবা পীরক্লিবা চেঙশিং অসিগী নফসাগী রেসন কার্দ পায়বা মীওই খক্তদা কিলো ৫/৫ পীগদবনি হায়রকপদগী কার্দ অসি পায়বা পায়দবা থিদনা শগোলবন্দ এ সীগী ওইনদি চহী মঙাগী অঙাংদগী হৌরদুনা মীকোক্তা চেঙ কেজি ৫/৫গা লোয়ননা তিলহৌ, আলু, হৱাই, কোবি অমদি খামেন অশিনবনচিংবা এঙ্গাং-নাপিশিং য়েন্থোকপা হৌরে হায়না এ সী অসিগী এম এল এ আর কে ইমোনা ফোঙদোকখ্রে।

নফসাগী মখাদা পি এম জি কে ৱাইগী পীরক্লিবা চেঙশিংগী মনুংদা ক্বিন্টল ২০০/৩০০ ককথরগা শুপ্পতগী ক্বিন্টল ১১৩৫ খক্তমক পীরকপদগী মহাক মশাগী মায়কৈদগী লুপা লাখ ১৪ পুথোক্তুনা চেঙ ক্বিন্টল ৭০০ লৈরগা এ সী অসিগী মীয়াম পুম্নমক্তা য়েন্থোকপগী থবক হৌরকপনি হায়রি।

ৱাফম অসি ঙসি এম এল এ অসিনা এ সী অসিগী ৱার্দ নম্বর ৭/৮ দা অহানবা ওইনা মীয়ামদা চেঙ য়েন্থোকপা হৌদোক্লদুনা ফোঙদোকখিবনি।

ক্বারন্টিন সেন্টর হাংদোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ৩১ (ঐচএনএস):

ৱাই থিংকাংফাই ভিলেজদা কম্যুনিটি ক্বারন্টিন সেন্টর অমা য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস (ৱাই এ এস) মিনিষ্টর লেতপাও হাওকিপনা হাংদোকখ্রে। চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী মনুংদা লৈবা কম্যুনিটিশিংদা কোভিদ-১৯ লায়না অসিনা নারকপা মতমদা খুদোংচানবা হায়দুনা ৱাই থিংকাংফাই ভিলেজদা কম্যুনিটি ক্বারন্টিন সেন্টর অসি হাংদোকপনি হায়খি। পোজিটিভ ওইবা মীওইশিং লায়েংবদা চঙগদবা ষ্টাফশিং হীদাক-লাংথক, ওক্সিজেন য়াওনা লৈরে হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

বি জে পি কৈশামথোং মন্দলনসু মপুং ফানা শৌগৎকনি...

লামায় ১গী মখা... ইরোইননা সেভা হী সঙ্ঘথনগী থৌরম অমদা বি জে পি মণিপুরগী ষ্টেট স্পোকপর্সন অমদি কৈশামথোং এ সীগী ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট এলাংবম জেঙ্গননা ফোঙদোকখ্রে।

থৌরম অদুদা মহাক্লা মখা তানা হায়খি ঐখোয় পুম্নমক ইশা-ইশানা অথুবা মতমদা ভেক্সিনেসন তৌথোকসি। লোয়ননা বুথ-বুথতা লৈরিবা বি জে পিগী ৱার্কর খুদিংমক্লা য়ারিবমখৈ মীয়ামদা এৱারনেস পীনবা হোৎনগদবনি হায়খি। থৌরম অদুগী মনুংচন্না হৌজিক ষ্টেট অসিদা থেংনরিবা লায়না লাইচৎ কোভিদ-১৯ অসিবু এ সী অসিদগী মপুং ফানা মুথৎনবা হোৎনমিন্নবগী ৱাফমসু অমত্তা ওইনা লেপ্পখিবগা লোয়ননা হৌজিক-হৌজিক অকিবা ফংনা শন্দোরক্লিবা লাইচৎ অসিবু মায়থিনবা হোৎনবদা কৈশামথোং বি জে পি মন্দলগী ৱার্কর পুম্নমক্লসু অঙন্বা মতেং পাংশিনবা হায়বা ৱাফমশিংসু য়ানখি হায়রি।

বি জে পি কৈশামথোং মন্দলনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা মন্দল অসিগী প্রসিদেন্ট দল্লিয়ু নবানসু অসিগুম্বা থৌরম অসি মখা তানা লেপতনা পাঙথোক্কদবনি হায়নসু ফোঙদোকখি। থৌরম অদুদা সোসল ৱার্কর সাপম নিশিকান্তসু শরুক য়াখি। থৌরম অদুগী লোয়শিল্লকপদা বি জে পি কৈশামথোং মন্দলগী ৱার্কৱশিংদা অমদি বুথশিংদা হেন্দ সেনিটাইজর অমদি ফেস মাস্কসু য়েন্থোকখি হায়রি।

কৌব্রু অমসুং কংলা কংলৈপাক্কী নাওসুমনি : প্রিপাক-প্রো...

লামায় ১গী মখা... শন্দোকপা লৈবাক অমা ওইরদুনা কোভিদ-১৯গী মহীক ‘ইন্দিয়ন ভারিয়ন্ট’ হায়না খঙনরিবসি লোইশিন্নবা ইন্দিয়ানা লৈবাক কয়াদগী ভেক্সিন লৈনবা কোয়থিথিরক্লি। হঙোই বোরাবিনা মশাদু ষণ অমদৌনা চাওহনবা ঙম্মী উৎপদা মবুক পোকখায় হায়বদু থোক্লে হায়রি।

ইন্দিয়াগী ‘মেক ইন ইন্দিয়া’ থৌরাংনা চাইনাগী পোৎলমশিংগী মহুৎ শিনবা ঙল্লনি হায়না লৈঙাকলোয়শিংনা ৱাজাউ ঙাঙলি। নোক্লিংলিবা ৱাফমদি মালেমগী খ্বাইদগী ৱাংবা ষ্টেচু অমা ওইরিবা সরদার ভল্লভাই পটেলগী ষ্টেচু অদুদা তৈরিবা ব্রোঞ্জগী মচাকশিংদুদি চাইনানা শাবা ওইরম্বসিনি। ‘কৈবুই কৈওইবা ননিং নমাঙ হোত্রোংহো’ হায়বগুম্না ইন্দিয়াগী মেক ইন ইন্দিয়া অমসুং ভেক্সিন দিপ্লোমেসিগী থৌরাং অনীমক ফাগি তারক্লে হায়রি।

মীওই লাখ ৭০ হেন্না তিনবা কুম্ভ মেলা অমসুং মীয়াম লাখ হেন্না তিনবা ইলেক্সন রেল্লি কয়া পাঙথোকহনখিবনা লাইচৎ অসি খোঙজেল য়াঙনা শন্দোকপদা মতেং ওইহনখি। লাইচৎ অসিনা খুদোংথীবা চাউনা নংহল্লক্কনি হায়বসি খঙনা খঙনা চেকশিন থৌরাং তৌখিদবা অসিদা চিংনরিবা ৱাফমদি গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা য়াল্লবা ইন্দিয়াগী মীশিংগী অথুবদা হন্থনবা দি পোপ্যুলেসনগী থৌরাং লোন্না থুপ্পা তৌবা লৈরব্রা হায়বা অসিনি। লোন্না থুপ্পগী থৌরাংবু ওইরবসু, ইরায় লায়থোক্লবদগীবু ওইরবসু হেন্না লাইবক থীগদৌরিবদি মীখা পোল্লিবা, মীপান তাংলিবা কংলৈপাকপনি হায়রি।

মীশিং য়ামজদ্রবা কংলৈ ফুরুপ্পু লাইচৎ অসিনা নুংতিগী শিহনবগী চাং অসি থিংবা ঙমদ্রবদি তুংগী মীরোলগী কাঙ্খুল মুংখিবা য়াবগী মীপাইনীংঙাই ওইরে। ইন্দিয়াগী চৎন-পথাপনা ষ্টেটশিংদা মরু ওইনা মণিপুরগুম্বদা লৈঙাক্কী অহেনবা পাঙ্গল পীদে। মসিনা মরম ওইরগা চাওখৎ থৌরাংগী পাম্বৈ ওইনবা লনগৈ অমত্তা মরোমদোম মনীং তৌনা শেমগৎচবা ঙমহন্দে। চৎন-পথাপ অসিগী অশুপ্পা পান্দমদি থবক থৌরাং পুম্নমক্তা ময়োল লৈঙাক্কী মীওই খরনা ৱারেপ লৌরগা মদুগী অশোয়বা ফলনা ষ্টেটশিংদা য়েন্থোকপা য়াহনবনি। ৱারেপ লৌনবা খন্নবা মতমদা ষ্টেটশিংগী অপাম পামদগী ৱা লৌবা নত্তে। খুদম ওইনা হায়রবদা দি মোনেটাইজেসন, ফার্মরস বিল, সিটিজনশিপ এমেন্দমেন্ট এক্ট, কোভিদ-১৯ ক্রাইসিস মেনেজমেন্টশিংদা মখোয় খরনা ৱা লেপ্পগা মীয়ামদনা মদুগী চৈনাখোলগী ফল থুংহল্লকপনি। ইরৈবাক্কী চিরবা তানফম অসিদা লাইচৎ অসি থেংননবা ষ্টেট অসিনা মপান লৈবাক্তগী মতেং লৌবা ঙম্বগী মঙম লৈহন্দ্রি। মসিনা তাক্লিবদি ইন্দিয়াগী চৎন-পথাপকী কয়াৎনা কংলৈপাকপু থওই উশিত্তনা ফাজিন পুনশিন্দুনা অশোনবা লৈঙাক ওইনা থল্লি হায়বসিনি। নমথরোলগী কয়াৎ অসিনা মরম ওইরগা ইরৈচাশিংবুসু গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াদা নিরুদ্রদি চাকথুং ফংলোই হায়না খলহন্দুনা ৱাখলগী লোইচৎ চনশিলহল্লি হায়রি।

অমরোমদনা, ষ্টেট অসিগী লৈঙাকলোইশিংনা ওইজ-ওইথক্না লোয়ননা নিশিল্লুবা, লৌফম ফংফম থোকপনি খল্লগা মুক্লরুদবনা ময়োল লমগী ইন্দিয়নশিংনা কংলৈ ফুরুপ্পু হন্থবা থাক্তা মীৎয়েং থল্লকই। ইরৈবাক্কী লিংজেল য়াওদ্রবা ৱাখল থোক্ত্রবা লৈঙাকলোইশিং অমসুং ইন্দিয়াগী নমথ-লৈঙাক্কী কয়াৎ অনীসিগা লোয়ননা ইন্দিয়াগী খুবামনুংদা লৈরগা কংলৈপাক চাওখৎকনি হায়বসি থাজফম থোক্তে। শেমগৎনবা তৌরক্লিবা তাৎকী থৌরাং খরসিসু শেঞ্জাও পায়বা ইন্দিয়নশিংগী শেন্দালফম ওইহন্নবনি। নীংশিংবা য়াবদি চহী ৭২ মুক ইন্দিয়াগী শরুক ওইরক্লবা মণিপুরনা কংলৈপাক্তা নিংথৌ পাল্লিঙৈ মতমদা খুয়া তুশিৎনা মনীং তমজনা ৱাত্ত-পাখিদবা অদুগী থাক য়ৌরিব্রা হায়বা ৱাফম অসিনি হায়রি।

নোংচুপ লৈবাকশিংগী মরু ওইনা য়ু এস এগী ৱাখল্লোন্দা দেমোক্রেসি হায়বসি মফম খুদিংদা মহাও-মশক মান্নবা অমেরিকাগী পোথোক কোকা কোলাগুম্না অতোপ্পা লৈবাকশিংদসু য়ু এস এগী লিক্লমগা মান্ননা লৈহনগদবনি হায়না হেঞ্জিন্না থাজৈ। লৈবাক অমগা অমগা লিক্লমচৎ-পুৱারী মান্নদবনা লৈঙাকলোলগী লিক্লমসু খেন্নবা অদুমক লৈগনি হায়বসি য়ু এস এনা থোইদোক্লা থাজদে। মখোয়না খঞ্জরিবা লৈঙাকলোনগী পোলিটিকেল কম্পাস অদুখক য়েংলগা চাইনা অমসুং রুসিয়া লৈবাক অনীসি য়ু এস এনা য়েক্লবগুম্না উই। অসুম্মাইনা ইন্দিয়াগী লৈঙাকলোইশিংনসু মখোয়গা শক্লোন মান্নদ্রবা লম-লমগী পুৱারীবু থওইদনা থমদুনা ইন্দিয়া (ইন্দিয়ন) হায়বসি হিন্দুনেস ওইগদবনি, হিন্দু লাইনীং লোল-নাট চৎকদবনি, হিন্দি লোল ঙাঙগদবনি হায়না থল্লক্লি। ঙসিদি হিন্দুটভা অমসুং অখান ভারতকী পান্দমদা ইন্দিয়ন দেমোক্রেসি হায়বা লৈঙাক্কী ৱাখল্লোন অমসু শেমগৎলক্লি। অনৌবা মখলগী ইন্দিয়ন দেমোক্রেসি অসি ইন্দিয়াগী চেৎশিন-ৱাখল্লোন ওইনবা আইদিয়া ওফ ইন্দিয়ানি হায়না শন্দোরক্লি হায়রি।

অসিগুম্বা ৱাখল-নমথলোলগা লোয়ননা শন্দোরক্লিবা আইদিয়া ওফ ইন্দিয়া অসিবু থেংনবা হায়বসি তরাই-তরাইনা লম্বী সরক্তা লাউবা খক্তনা য়ারোই। কংলৈপাক্কী মীহৌরোল অমসুং লৈঙাকলোনগী পুৱারী, ৱাঙুলোল অমসুং নুংলোনশিংবু ইরৈচাশিংনা মপুং ফানা খঙবা চঙই। মসিগা মরী লৈননা মহৈগী হীরমশিংদা অচৌবা শরুক অমা ওইনা তম্ফম থোকপনি হায়রি।

ইন্দিয়ারোমদগী হুমজিল্লক্লিবা অকনবা শাফু অসিনা কংলৈচাশিংগী থকসি-খাসি, হৌন-লোনচৎ, শাজৎ-লিচৎতা হোংহন্দুনা কংলৈ খুন্নাইদা ইরায় লায়থোকপা পুন্সিরোল মশীং অমা ওইহল্লক্লি। শোয়থরক্লিবা খুন্নাই লোনচৎ অসি থেংননবা ঐখোয়গী ফজরবা লিক্লমচৎকী শক্তমশিংবু শেমগৎপা মথৌ তারক্লি। মতাং অসিদা থমজনীংবদি কংলৈপাক্কী হান্না খনসি, ইন্দিয়াগীদি কোনখিসি, ইন্দিয়ন ওইনদি লৈগুমসি হায়বা অকনবা পুক্লিংগী য়ুম্ফম অমা মথৌ তারি হায়রি।

হৌজিক্কী তানফম অসিদা ইরৈবাক নুংশিবগী পুক্লিং ৱাখল্লোন খক্তনা কংলৈপাক কলহৌনবগী সেফটি ভল্বনি। ইরৈবাক কঞ্জনবগী লৌশিং পাঙ্গলগী হৌরকফমসু কংলা অমসুং কৌব্রুদা অপূনবা পুক্লিং থমসি। কংলানা কংলৈপাক্কী লৈঙাক্কী সেন্টর ওফ গ্রেভিটি ওইহনসি। দেল্লীদা ওইহনগুমসি। হৌজিক্তি ফুরুপ মশেল মোত তিন্ননা নুংশিনবা হার্মোনি ইন দাইভর্সিটি হায়বরোমদা ৱাখল্লোন থমদুনা ফুরুপ মশেলগী অপূনবা লিংজেল য়ুনিটি ইন দাইভর্সিটিগী পান্দম ফংনবা হোৎনফম থোক্লে হায়রি।

চহী লিশাং শিংনা চাওখৎ-লোনচৎনা মপুং ওইরগা নিংথৌ লৈঙাকলোন লেপ্পুনা চৎথরকপা লৈবাক হায়রগদি চাইনাগী মথংদা কংলৈপাকসু অমা ওইরিবনি। চাইনানা সিভিলাইজেসন-ষ্টেট ওইনা লেপ্পুনা লাকপগুম্না কংলৈপাকসু চহী কয়াগী মমাঙদগী চাওখৎলোন্দা য়ুম্ফম ওইজরগা সিভিলাইজেসন-ষ্টেট নৎত্রগা কিংদম অমা ওইনা লৈরক্লিবনি। অদুবু ইন্দিয়া হায়রিবা লৈবাক অসিদি নৌহৌনা নোংচুপ লৈবাক্কী মতৌ তমদুনা নেসন ষ্টেট অমগী মঙলান্দা লৈঙাক্কী অশুপ্পা পাঙ্গলবু ময়োলদা থম্বা ঙম্নবা শেমজিল্লুবনি। অখণ্ড অহৈ কয়ানা ইন্দিয়া লৈবাকসি অশোনবা অশোয়বা কয়ানা পীক থল্লে, শেমদোক্লুবদা কান্নরোই অদুনা থুগাইরগা নৌনা শেম্বা মথৌ তারে হায়নরক্লি। শম্না হায়রবদা ইন্দিয়াদা রিফর্ম কান্নরোই, রি-ফোর্ম তৌগদবনি হায়বনি। কেমথরক্লিবা ইন্দিয়াগী ফিবান্নুংদা লৈরিখৈদি শূফম নোমফম ফংদনা ৱাখল লায়না চেন্দুনা ময়াই কাবা চিঞ্জাক চাদুনা লায়না অমদি লাইচৎ অমা লাকপদা পাত্তক্লা শিগনি। নীংখা তম্বনা তশেংনা কংলৈপাক্কী শক্তম কনবা ঙমগনি হায়রি।

অরোইবদা চেরমেনগী ৱারোল অসিনা কংলৈচাশিংদা থমজরিবা ৱাফমদি লাইচৎ অসি থেংনবদা অপূনবা লিংজেল থম্মীন্নসি, চেকশিন কাঙলোন ঙাক্লগা অনাবশিংবু নুংশিনা লায়েংবীনবা লায়েং থৌদাং লৌরিবশিংদা হায়জরি হায়রি।

কম্যুনিটি আইসোলেসন সেন্টরদা শীজিন্ননবা ২শুবা এম্বুলেন্স শিন্নখ্রে

ইম্ফাল, মে ৩১ (ঐচএনএস):

তমথিরবা কোভিদকী অনীশুবা ৱেভ অসি লাঙ্গেংনবদা মতেং ওইনবা হায়দুনা বিষ্ণুপুর এ সীগী এম এল এ গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা ঙসি মহাক্কী নিংথৌখোংদা লৈবা য়ূমদা কোভিদকী এস ও পি ঙাক্লা পাঙথোকপা অচম্বা থৌরম অমদা এম্বুলেন্স অমা বিষ্ণুপুর এ সীগী ওইনা নিংথৌখোং হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা হাংলিবা এ সীগী কম্যুনিটি আইসোলেসন সেন্টর অসিবু য়েংশিল্লিবা এম এল এগী পি আর ও তোম্বদা খূৎশিন্নখ্রে।

থৌরম অসিগা মরী লৈননা এম এল এনা হায়খিবদা ঙসি শিন্নরিবা এম্বুলেন্স অসিনা মরু ওইনা এ সী অসিগী মীয়াম্না মশাদা করিগুম্বা চিংনবা লৈবদা টেষ্ট তৌবা চৎপা অমদি আইসোলেসন সেন্টরদগী নাবা ফরবা মীওইশিং ময়ূমদা হনবদা শীজিন্ননবনি। হান্না মমাঙদা পীখিবা এম্বুলেন্স অদুনা কোভিদ পোজিটিভ ওইবা মীওইশিং পুথোক-পুশিন তৌবদা শীজিন্নবা ওইবনা এ সী অসিগী মীয়াম্না মশাদা করিগুম্বা চিংনবা লৈবা মতমদা টেষ্ট তৌবা চৎপা অমদি আইসোলেসন সেন্টরদগী নাবা ফরদুনা য়ূমদা হনবা মতমদা ময়ূম চৎনবা পেসেঞ্জর ভেহিকল তৌগদবসু পুনিংদবা অমদি হান্না লৈরিবা এম্বুলেন্স অসিসু কোভিদ পোজিটিভ ওইবা পুথোক-পুশিন তৌবা ওইবনা মদুদা এ সী অসিগী মীয়াম্না থেংনরিবা খুদোংচাদবশিংগী য়েংদুনা এম্বুলেন্স অসি খূৎশিন্নবনি। করিগুম্বা মথৌ তারবদি অহুমশুবা এম্বুলেন্স পীনবসু থৌরাং লৈরি হায়খি।

‘মরুপ শান্নবা, মাইক্রো ফাইনান্সকী শেল খোমগৎপা লেপকদবনি’

ইম্ফাল, মে ৩১ (ঐচএনএস):

লমদম অসিদা কোভিদ-১৯গী অনীশুবা শাফূগী মনুংদা লৈকায় লৈকায়গী শেলহুন মরুপ, প্রাইভেট বেঙ্ক, মাইক্রো ফাইনান্সনচিংবা চয়োলগী/থাগী শেল হুনবা, শিঙ্গৎপশিং তৌবীদনবা সিঙ্গা মখা লৈকায় ৱেলফেয়র ক্লবনা থাদোরকপা চেরোল অমনা মীয়ামদা আপীল তৌরক্লি।

ক্লব অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি এমদি অকবরনা খূৎয়েক পীদুনা ঙসি প্রেসতা থোকপা চেরোল অদুনা হায়, লমদম অসিদা কোভিদকী অনীশুবা শাফূনা মীয়ামদা অৱাবা চৈথেং কয়া পীবদা নত্তনা নিক নিক লাওনা হিংনরিবনি। অসিগুম্বা মীয়াম তিনবা থবকশিং অসিনা তমথিরবা লাইচৎ অসি লাকশিনবগী ওন্ন-তৈনবদা শন্দারক্লবা মচাক ওইরক্কনি।

অমরোমদা শেন্থোক লন্বী লৈজদবা শুর-নোন্নগা নোংমগী চারা তাঞ্জরিবা কয়াদি লাইচৎ অসিবু লাকশিন্নবা লৈঙাক্লা লাউথোক্লিবা কর্ফিয়ু অসিদা ৱাবগী মতোল লোম্লবনি। শেল-থুমগী ফিভম ফৎচিল্লক্তবনা মরম ওইরগা মীওই কয়াদি মরুপ থাঙ্গৎপা ঙম্নবা অরানবা মওংদা শেল তাল্লকপা য়াই হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই।

মরম অসিনা অসিগুম্বা থবকশিং অসি লাইচৎ অসি লাকশিন্দ্রিবা ফাওবদি য়াইরিপোক সিঙ্গা খুঙ্গংদা তৌবীগনু। তৌরম্বা থোক্লবদি ক্লব অসিনা লৈঙাক্কী মরী লৈনবশিংগা লোয়ননা অকনবা এক্সন লৌখৎনবা শেম-শাবা লোইরে, অসিগুম্বা থবক অসি খুঙ্গং অসিখক্তা নত্তনা অতোপ্পা মফমশিংদসু তৌবীদনবা চেরোল অসিনা মখা তানা মীয়ামদা আপীল তৌরক্লি।

পোক্সো অমসুং এন দি পি এস এক্ট এমেন্দমেন্ট তৌবগী...

লামায় ১গী মখা... থোকহল্লক্কনি খল্লি হায়না ফোঙদোরকখি।

লোয়ননা মহাক্কী সর্ভিসকী অরোইবা থা (মে, ২০২১) গী তোলোপ অসিদি হৌজিক ষ্টেট অসিনা কোভিদ-১৯ সেকেন্দ ৱেভকী অকনবা চৈথেং মায়োক্লরিবা মীয়ামগীদমক শীজিন্ননবা মহাক্কী অপূনবা তোলোপকী শেনফমদগী লুপা লাখ ১ চীফ মিনিষ্টরগী কোভিদ-১৯ রিলিফ ফন্দদা দোনেট তৌরগনি। শেনফম অসি ঙসি পাঙথোক্কদবা মহাক্কী ফেয়রৱেল প্রোগ্রামদা লাউথোক্তুনা চীফ মিনিষ্টরগী সেক্রেটরিদা চেক ওইনা খূৎশিন্নরগনি হায়দুনা পুথোক্তুনা য়েংহল্লকখি।

মহাক্কী অরোইবা তোলোপকী শেনফমদগী রিলিফ ফন্দদা লুপা লাখ ১ দোনেট তৌখ্রবা মতুংদা লেমহৌরিবা শেনফম পুম্নমকসু ষ্টেট অসিগী ৱাখল মপূং ফাদ্রিবা, চরা হেনবগী অৱাবা চৈথেং মায়োক্লরিবা তোল্ল-তারবা মীওইশিংদা মতেং ওইনা পীগনি। অদুগা মীয়ামদা কান্নরবা ঈ-পাউকয়া শন্দোক্লুনা মীৎ-নাকোং ওইহল্লিবা দাইমন্দ রেদিও, খোংজোমদা লুপা লিশীং ১০ অমসুং মণিপুরগী ইন্টরনেসনল সাইক্লিষ্ট রোহান ফিলেমদসু লুপা লিশীং ১০গী শেনফম পীগনি হায়খি।

মহাক্লা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না ঙসি দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটি, থৌবালনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট বার এসোসিএসনগা খূৎশম্নদুনা ঙসি মহাক্কী কোর্ট কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখিবা মহাক্লা কায়নবগী থৌরমদা হায়রিবা শেনফমশিং অসি মরী লৈনবা মীওইশিংদা মথং মথং খূৎশিন্নখি। ঙসিগী নুমিৎ অসিগী মাঙওইননসু মহাক্কী মায়কৈদগী হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদসু লুপা লিশীং ১০ মাঙজৌননা দোনেসন তৌখ্রে হায়রি।

ঙসিগী কায়ন-থৌরম অদুদা দি এল এস এ, থৌবাল, মসিগী ফ্রন্ট ওফিস অমসুং বার এসোসিএসনগী এদভোকেটশিং, মহাক্কী ষ্টাফ অমসুং প্রোজিক্যুসনগী ষ্টাফশিংসু শরুক য়াখিবগা লোয়ননা মঙোন্দা অচম্বা খুদোলশিং তম্বগা লোয়ননা য়াইফ পাউজেলশিং পীখি।

পনবা য়াবদি, এম এ (পব্লিক এদমিনিষ্ট্রেসন) পাস তৌরকখিবগা লোয়ননা কুমজা ১৯৮৪দা নাগপুর য়ুনিভর্সিটিদগী এল এল বি পাস তৌরকখিবী মহাক ওগষ্ট ১৬, ১৯৮৫দগী এদভোকেট অমা ওইনা এনরোল তৌরক্তুনা মতম অদুগী গৌহাটি হায় কোর্ট অমসুং মসিগী সবোর্দিনেট কোর্টশিংদা চহী ১১ রোম প্রেক্টিস তৌরকখিবীনি।

হায় কোর্টকী এদিসনেল গভর্ণমেন্ট এদভোকেট ওইনা চহী ২ রোম থবক তৌরিঙৈদা মহাক্কী মায়কৈদগী কেস লিশীং ২ হেন্না কন্দক্ট তৌখি। তোঙান তোঙানবা টোপিকশিংদা নেসনল জুদিসল একাদেমি, দেল্লী জুদিসল একাদেমি, নোর্থ ইষ্টর্ন জুদিসল ওফিসর ট্রেনিং ইন্সটিট্যুট অমসুং মণিপুর জুদিসল একাদেমিনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা তোঙান তোঙানবা টোপিকশিংগী প্রোগ্রামশিংদসু শরুক য়ারকখি। ঙসি থবক্তগী পোত্থারবসু মহাক্কী মপাঙ্গলনা অয়াবা পীরিবা ফাওবদি মহাক নুপী অমসুং অঙাংশিংনা মায়োক্লরিবা মখল কয়াগী খুদোংথীবশিংগী মায়োক্তা লেপ্পুনা মখোয়গীদমক অঙন্বা থৌদাং য়ারমখিগনি হায়নসু ফোঙদোরকখি।

কে য়ু দি সীগী ফাওন্দেসন দে পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ৩১ (ঐচএনএস):

কুম্বীগী মনুংগী ক্লব/এন জি ওশিংগী অপূনবা বোদি অমা ওইরিবা কুম্বী অর্বান দিভলপমেন্ট কম্মিটি (কে য়ু দি সী) শেমখিবগী চহী অমা ফারকপগা লোয়ননা কুম্বী লাই অচৌবা মাঙুবতা লুপ অসিগী অহানবা ফাওন্দেসন দেগী থৌরম লৈঙাক্লা পীরিবা কোভিদ-১৯গী এস ও পি ঙাক্লা পাঙথোকখ্রে।

কুম্বী অর্বান দিভলপমেন্ট কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট ৱাহেংবম বোবিচান্দ লুৱাং, কে য়ু দি সীগী ৱর্কিং প্রসিদেন্ট নোংমাইথেম প্রকাশ, চীফ এদভাইজর খাঙেম্বম ইন্দ্রকুমার অমদি এদভাইজর নোংমাইথেম হেমন্তনা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইদুনা পাঙথোকখিবা ফাওন্দেসন দেগী থৌরম অদুদা লুপ অসিগী সেক্রেটরি ৱাহেংবম রোরকি চান্দনা কে য়ু দি সীনা লিংখৎখিবা নুমিত্তগী ঙসি ফাওবদা পাঙথোকখিবা এক্টিভিষ্টি ফোটো য়াওবা এন্যুএল রিপোর্ট বুক অমা পুথোকখি।

থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা কুম্বী অর্বান দিভলপমেন্ট কম্মিটিনা চহী অমা চুপ্পা চৎথরকপা কোভিদ-১৯গী কেম্পেন্দা শরুক য়াখিবা মীওই অনীদা অচম্বা খুদোলপোৎ অমদি এপ্রিসিএসন সর্টিফিকেট পীদুনা ইকায় খুম্নবা উৎখি।

কর্ণজিৎ কাঙুজম দেল্লীদগী ফাগৎখ্রে...

লামায় ১গী মখা... শরুক য়াহনগনি হায়দুনা লুপা লিশীং ৩০ নমথাক তৌরগা লৌশিনখিবনি। কনফরেন্স অদুসু কুমজা ২০১৯দা পাঙথোক্লগনি হায়দুনা য়ৈথোকখিবদগী ঙসি ফাওবা পাঙথোকখিদ্রবনি। মরম অসিদগী মহৈরোয় অদুনা মমাঙগী কুমজা ২০২০দা নেপালদা লৈবা ইন্দিয়ন এম্বেসিদা কমপ্লেন্ট অমা ফাইল তৌরকপদগী মহাক্কী মথক্তা ফেব্রুৱারী ১৬, ২০২১দা মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটর্নেল এফেয়রসনা কোগনিজেন্স লৌখিবনি। লোয়ননা সী জে এম, ইম্ফাল ইষ্টনা মীরোৎনি হায়দুনা এপ্রিল ২৫, ২০১৬তা লাউথোকখিবদগী দেল্লীগী মফম অসিদা মহাক্কী মচানুপী ইনভাইরনমেন্টেল এক্টিভিষ্ট লিসিপ্রিয়া য়াওনা মহাক্কী ইমুংগী মীওইশিং লৈরকখিবনি হায়রি।

এক্সটর্নেল এফেয়রস মিনিষ্ট্রি অমসুং পোরোম্পাৎ পি এসনা লৌখৎখিবা কেসশিং অসিগী মতুংদা মহাক্কী খোঙ্গুল লীদুনা লাকখিবদগী ঙরাং ফাগৎখিবনি। মহাক মরী লৈনবা দেল্লীগী কোর্টতগী ট্রাঞ্জিৎ রিমান্দ লৌরবা মতুংদা হয়েং নুমিৎয়ুংবা মতুংদা ইম্ফালদা পুরক্লগনি হায়রি।

মীওই ৮৬৯ পোজিটিভ ওইখি...

*লামায় ১গী মখা...*অদুদি ইম্ফাল ইষ্টতগী ৩১২, ইম্ফাল ৱেষ্ট ২৫০, থৌবাল ৫৬, বিষ্ণুপুর ৬১, কক্চীং ১৫, উখ্রুল ৮, চুড়াচান্দপুর ৯৮, চান্দেল ৮, সেনাপতি ২৫, তমেংলোং ১২, কাংপোকপী ১৩, জিরিবাম ৪ অমসুং কামজোং দিষ্ট্রিক্টতগী মীওই ৪নি হায়রি।

অমরোমদা, হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা মীওই ১৪ লৈখিদ্রে হায়রদুনা মীওইশিং অদু ইম্ফাল ইষ্টতগী ৩, বিষ্ণুপুর ১, চুড়াচান্দপুর ১, ইম্ফাল ৱেষ্ট ৭ অমসুং কক্চীং দিষ্ট্রিক্টতগী মীওই ১নি হায়রি। মীওইশিং অসি চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা ১, ববিনা ১, বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল ১, শিজ হোস্পিটাল ৪, রিমস ৪ অমসুং জেনিমসতা ৩ লৈখিদবনি। ঙসি লৈখিদবা মশীং অসি থারগা হৌজিক ফাওবগী ওইনা অপূনবা লৈখিদ্রবা মশীং ৮০৭শুরে। লোয়ননা ঙসিগী ওইনা দিসচার্জ তৌখিবা মীওইশিংগী মশীংনা ৫৪৬নি। মখোয়গী মনুংদা সী এ পি এফকী পর্সনেল ১, হোম আইসোলেসন্দগী ৪১৫, রিমসতগী ১৩, বি বি ১৯, এন এস য়ু ৫, শিজ হোস্পিটাল ৩, লানভা ৫, আর দি ৱিং ১৩, রাজ মেদিসিটি ২, ববিনা স্পেসিএলিটি হোস্পিটাল ৩, লম্ফেলইখোংনাংখোংগী সী সী সী ২৬, থৌবাল ১৪, বিষ্ণুপুর ৪, কক্চীং ৬, কাংপোকপী ১, চুড়াচান্দপুর ৭, চান্দেল ৩, সেনাপতি ২ অমসুং উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টতগী মীওই ১নি হায়রি। ঙসি থেংনখিবা পোজিটিভ কেস ৮৬৯ অসি থারগা হৌজিক ফাওবগী ওইনা পোজিটিভ কেস মশীং ৫০,৭৫১শুখ্রে। অদুগা লায়না অসিদগী ফগৎলকখ্রবা মীওইশিংগী মশীংনা ৪১,১৫৩শুরে হায়বগা লোয়ননা এক্টিভ কেসকী মশীংনা ৮,৭৯১ লৈরি। ঙসি ফাওবগী ওইনা লায়না অসিদগী ফগৎলকখ্রবা মীওইশিংগী মশীংনা চাদা ৮১.০৮ শুরে হায়রি। লোয়ননা ঙসি ফাওবদা কোভিদ ভেক্সিন কাপথোকখিবা অপূনবা মীওইশিংগী মশীংনা ৩,৮২,৫৩৪ শুরে হায়রি।

য়েক্লবগী খুজিল-থৌরাংনি : প্রিপাক...

*লামায় ১গী মখা...*অমদি নেসনেলিষ্ট মীদিয়া হায়না অনী থোক্লা খাইদোক্তুনা থবক তৌনখি। অৱা-অনা কয়া নংলবসু নেসনেলিষ্ট মীদিয়া অমা-অনীনা নীংতম ঈহৌগীদমক চীংজাওগুম লেপ্পুনা ইন্দিয়ানা নীংতম্বা ফংবদা অচৌবা শরুক য়াখি হায়রি।

ইন্দিয়ানা লোইলম শন্দোকপগী থৌশিল পাক শন্না চৎথরকপদা মখোয়গী মীদিয়াবু অচৌবা থৌদাং লৌহল্লি হায়বসি ঐখোয়গী য়াওল্লুপশিং অমদি লমদমসিগী মীয়াম্না ঙল্লিঙৈ মতমদগী খঙদুনা লাকই। ইন্দিয়া অসি লোইলম শন্দোকপা অচৌবা লৈবাক অমনি হায়বসি মালেমগী লৈবাক পূম্বনা খঙই। হিংচাবীগী পিবুক্লুন্দা মীওইবগী মীনুংশি চেনবা মীওই পোকপগী মহুত্তা হিংচাবা নৎত্রগা হিংচাবী ঙাক্তা পোকপগুম লোইলম শন্দোকপদা হালেংবা লৈত্রবা ইন্দিয়া লৈবাক্তা নেসনেলিষ্ট মীদিয়া পোক্লুনা নীংতম ঈহৌ তৌবশিংবু শৌগৎপগী মহুত্তা কোলোনেল মীদিয়া ঙাক্তা পোক্লুনা ৱেসিয়া লমদমগী নীংতম ঈহৌ অমসুং ইন্দিয়া মনুংগী মীওইবগী নীংতম্বা তানবশিংবু নমথবদা অচৌবা থৌদাং লৌই। মখোয়না মালেমগী নীংতম ঈহৌ অমত্তা শৌগৎতুনা থবক তৌদে। ইন্দিয়াগী কোলোনিএল মীদিয়ানা ৱেসিয়া লমদমগী নীংতম্বা হঞ্জিন্নবগী ঈহৌ অসি শৌগৎতুনা ইবিদ্রবসু ইন্দিয়াগী ওক্যুপেসনেল ফোর্সশিংনা লমদম অসিদা চৎথরিবা মীওৎ-মীনৈশিং অসিদা ওইরবসুফ্রী মীদিয়া অমগী থৌদাং লৌদুনা মশক তাকপীরল্লবদি ৱেসিয়া লমদমগী অশেংবা শক্তম অসি মালেমগী মীয়াম্না শক খঙবীদুনা মীয়ামগী নীংতম ঈহৌ অসি ইন্টরনেসনল কম্যুনিটিশিংগী তেংবাঙ থোইদোক হেন্দোক্লা ফংলমগনি হায়রি।

ঙসিসু মাওইষ্টকী ঈহৌ লৈবা ইন্দিয়াগী ষ্টেটশিংদা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা চৎথরিবা মীওৎ-মীনৈশিং অসি ইন্দিয়াগী মীদিয়ানা নমশিন্দুনা থম্বদগী পাম্বৈ লৈজদ্রবা ষ্টেটশিং অদুগী মীয়াম্না থৌদোকশিং অদু লিফ্লেটলেট অমসুং বুকলেট ওইনা ফোঙলি। মায়কৈ অসোমদা য়েংলুরগদি মীওইবগী য়াইফনবগীদমক থৱায় থাবা য়াওনা থবক তৌবগীদমক মালেমগী পাউমীশিংনা ফংনরিবা ৱর্ল্দ প্রেস ফ্রীদম এৱার্দ ইন্দিয়াগী পাউমীশিংনা কৈদৌঙৈ ফংবা ঙমগদগে হায়বসি হৌজিকসু অচৌবা ৱাহং ওইরি হায়রি। তশেংনা হায়রবদা হন্দক পি টি আই অমসুং ইন্দিয়ন এক্সপ্রেসনা তৌরিবা থৌওং অসি কোলোনেল মীদিয়াগী থৌদাংনি হায়বা নত্তনা অতৈ করিসু হায়নীংঙাই লৈতে। অসিগুম্বা থৌওং অসি মীদিয়া অমনা অমুক হন্না চৎথরক্লবদি প্রিপাক অমসুং মসিগী লান্মী শঙলূপ রেদ আর্মিনা লোই মপু ইন্দিয়া অমসুং মসিগী ওক্যুপেসনেল ফোর্সশিংদা য়েংবা মীৎয়েং অদু নত্তনা অতৈ পাম্বৈ লৈরক্লোই। মখোয়গী অরানবা, সেবোটেজ প্রোপেগেন্দানা পার্টিবু চরাংনবা থোকহনবা, নীংতম ঈহৌবু মনিং হলহনবা ওইথোক্লোই, কৈদৌনুংদা ওইথোক্লোই হায়রি। লৈখিদ্রবা লুচিংবা অহুম্না পামজরম্বা নীংতম্বা চাওখৎপা মান্নবা খুন্নাই হায়বা পম্ভুং অদু ফংদ্রি ফাওবা প্রিপাক অমসুং মসিগী লান্মী শঙলূপ রেদ আর্মিনা খোঙফম চেৎনা লেপ্পি হায়বদু লৈবাক মীয়ামদা থমজরি হায়রি।